# সুগুনু অমসুং সেরৌগী পাউ তূমিন’ তারগা লৈগুমসি

নিংথৌ পানবা, মদোম মরোমদোম লেপচবা, নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরম্বা মণিপুর’না ১৮৯১দগী বৃটিশ-ইন্দিয়াগী মখা পোন্না লৈরকখিবদু, চহী ৫৬কী তুং ১৯৪৭ ওগষ্ট ১৪দা অমুক হন্না নীংতম্বা লৈবাক ওইরকখি। নিংথৌ লৈঙাক লোইশিনখি, মীয়াম লৈঙাক (দেমোক্রেসি) চৎপা লৈবাক ওইরকখি, লৈঙাক পথাপ (কন্সটিট্যুসন) শেমদুনা ১৯৪৮দা মীরেপ-মীখল পাঙথোকখি। মহারাজ কুমার প্রিয়োব্রত’বু মীহুৎ ৫৩গী লুচিংবা খনখি, মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখি। মণিপুর মীয়ামগী ৱারেপ্তু, মশাগী লৈঙাক-পথাপ লৈত্রিবা ‘ইন্দিয়া’ গী লুচিংবশিংনা ইকায় খুম্নখিদে। অঙম্বা, অরৈবা পাঙ্গল শক্তি শীজিন্নদুনা মণিপুর’বু নমদুনা ইন্দিয়াদা তিনশিনহনখি - ১৯৪৯ ওক্টোবর ১৫। চহী ৭৪ হৌখরে। লমদমসিদা থৌদোক কয়া, ৱাথোক কয়া থোকখরে- কাউবা ৱল্লরোইদবা, নীংশিংবগী লামায়দা মূৎনাইদ্রবা মচুনা ইদুনা থমহৌরগদবা অমসুং নীংশিংলুবই কান্নদ্রবা, কাউথোকখিবনা হেন্না ফৱবা কয়া। অদুগুম্বা থৌদোক কয়া লৈরমগনি মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয় লকানুংদুদা লোৎতুনা। ঐখোয়গী ইমা-ইনে-ইন্দোন-ইবোক... পূম্নমক অফবা ৱারী লীবা ঙাক্তনি। মখোয়না লীবিরমখিবা ‘মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও’ (জপান লান) গী তাংকক কয়াদা থেংনরকখিবা এক্সপরিএন্স অমদি লান য়ৌদবা মফমশিংদা থৱায় হিংনবা লাঞ্জেন্নরকখিবই ৱারী... ঐখোয়গী মীরোল অসিগী সাহিত্যগী মচাক্নি।

ঐনা পুন্সি মশক খঙবা হৌরকঙৈদগী থেংনরকখিবা এক্সপরিএন্সশিংগী মরক্তা খ্বাইদই হেন্না তমথীবা, কাউঙমদবা এক্সপরিএন্স অমনি - মে ৩, ২০২৩দগী হৌখিবা, ঙসি ফাওবা লোইদ্রিবা ‘মৈতৈ-কুকি-ইথনিক-ক্লাশ’! ইন দ রিঅল সেন্স ৱাথোকসিগী হৌরকফম কূপ্না নৈনরুরবদি খঙগনি- ‘থোক্লিবা ঈরাং অসি থায়নদগী লৈমিন্নরকপা, হৌমিন-কামিন্নরকপা কুকি অমসুং মৈতৈশিংগী মরক্তা থোকপা ইথনিক-ক্লাশ নত্তে, যূল্লোন্নবা লৈবাক ম্যান্মার (বর্মা) দগী কাঙলোন লান্না চঙলকখিবা, মরৈবাক্তই তাম্থোরক্লবা কুকি-চিন (ফোরেনর) খরনা লানহৌলূপশিংগী লুচিংবা ওইরকপা, দ্রগ কারবার তৌদুনা অচৌ-অশাং-ওফিসরশিংবুসু নার্কোটিক বিজিনেস-পার্টনর ওইহনখিবা, কারবারদুনা চাওখৎলক নার্কো-টেরর-গ্রুপ লীংখৎলকপা... পাক্লা-শন্না শন্দোরকপা লাংদুদা শেল-থুম-পায়নীংবা কুকি নহারোলশিং থুখিবদই থোক্লকপা ঈরাং অমনি’। লাংদুদা থুখিবা কুকি কাঙলূপকী মীওইখক্তা নত্তে, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্কী নহারোলশিংনি। ঈরাং অসি থোক্ত্রিঙৈ, নোংমতা কাংদা পাউচেশিংদা ফোঙনখিবা দ্রগ ফাবগী পাউ পানখিবশিংদু নীংশিংবীয়ু। কারবার অসি অদুম মখা চত্থনা, লান অসি থোক্লল্লোইদবনি। কুকি তাবা চীংগী লমশিংগী পাল্লবা চীংমায় কয়া উমং কোকথোক্লগা ঙাংশঙ ঙাংনা এরোপ্লেন তোংদুনা হল্লকপদা উখিবদু ফনা কুইরবা মতমনি। হাপ্তা কাংদনা দেল্লী চৎপা পোলিটিসিয়নশিংসু অদুম মউরিবনি, নোংমতা নীংশিংলুদবা খুদক্কী ওইনা ফুরিৎখাও চোনবা, শেল চাবই থবক্তুনা হেন্না মরু ওইবনা। ইন্দিয়ন কম্পনিশিংনা শাবা শাবুন (সাপোন) - কেপ’তা হাপ্পা নত্তবা, ম্যান্মাররোমদগী মোরে ফাওদুনা পুশিল্লকপা শাপোন-কেপ-মখলদুদা হাপ্পা হিরোইন পাওদর-দ্রগশিং মণিপুর পুলিসনা ফাখিবা, পুলিসতা রেকোর্দ লৈরম্লি - লুপা ক্রোর চা কয়াগীনো? অসুম্না পুশিল্লকপা দ্রগ নত্তবা, মণিপুরগী চীংনুং-মানুংদা দ্রগ শুংবই থবক চত্থরে হায়বসি অঙাংবা মচুগী চীংমায়শিংদু নীংথিজবা পোপী পাম্বীগী লৈকোল ওইরকপদা খঙবা ওইরম্লি। লেপ্পু লৈত্রবা দ্রগ ফাবই ৱাথোক অমদি ইন্দাইরেক্টলি মাগী মিংসু মীয়াম্না চেন্নহনখিবা অচৌবা দ্রগকী কেস অমদগী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর’না মহাক্কী অনীশুবা টর্মগী হৌগৎলকপদা ‘দ্রগকী মথক্তা লান’ (ৱার ওন দ্রগস) অহানবা এজেন্দা ওইনা পায়খৎলকখিবা... পুলিস ফোর্স থাজিন্দুনা পোপী পাম্বী য়াম্থৎখিবা, প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা খুন ওন্থোকপা থিংলুবনচিংবা থবক খরসি, কাঙলোন লান্না খুন-লাল্লকখিবা অনৌবা কুকি-জেনরেসনগী মীওইশিংদা ‘মখোয়গী শেন্দাল-লন্মী অমসুং হিংনবগী লৌরি যূন্থফম’ অনীমক্তা মণিপুরগী লৈঙাক পুরেন বিরেন’না অপান্ননা শীংনরকপগুম লৌখি। তৌফম থোকপা লৈঙাক্কী থৌরম অসি মায় পাক্লা পাঙথোল্লবা করিগুম্বা, অনৌবা কুকি কাঙলূপকী মীওইশিং-হিংনবগী লন্মী ককখিবগা পাংখক্লি। পোক্লফম লমদম ম্যান্মার’দসু মীতোপনি হায়দুনা তাম্থোরক্লবা মণিপুরদইসু ইম্থোরক্লবা -হিংফম লৈতে মখোয়গী। ‘কাল্লে ফূ, কান্দ্রে ফূ’ হায়বদুগী থৌওংমনি। হিংবা তাই, করিগুম্বা পাম্বে অমা থিদুনা। খনবমখে খল্লগা, মখোয়গী কালক্যুলেসন’দা লিংজেল মান্নদবা, অমগা অমগা মীথানদবদা মমিং চৎলবা, দিসওর্গনাইজ ওইরবা মৈতৈশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা কাং-খোং চাইহনবা ইরায় লায়বা থবকনি... মপুক ফৱা, পাঙদবা কাঙলূপনি, নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা ইন্দিয়ন-আর্মিগা লাম্থেংনরম্বা অথৌবশিংসু চেনখ্রবনি ঙমখে লান্না, খূৎ হনবা ঙল্লক্লোই, লায়না মায়থীবা পীঙম্লি... লৈবাক চরাংনহনগে, বিরেন মথা শাহনগে... ৱাখলসিনা মাঙওইনা, মে ৩, ২০২৩, যূমশকৈশা নুমিৎ-সরপ্রাইজ এটেক তৌদুনা চীংয়া-তময়া থূপচিনগে। শেম শাবা নংহৌদ্রবা মৈতৈশিং, তাশিন-খোমজিন্নরিঙৈ, খূজিন মমায়মুক পাকপা তম্পাক-লম-পীকখ্রবা লম মচেৎ অসিবু খুদুম চনবা, নুমীৎ নীনিগী থবক নত্তে, মায়কৈ খুদিংমক্তা কুকি লান্মীশিং শেম শাবা লোইখ্রবনি...। কুকি-লান্মী-লুচিংবা অমনা হায় হায়দুনা, মৈতৈশিংগা-নক্লবা-কুকি-মরুপ-অমনা নোংমা মঙোন্দা ফোন্দা তল্লকই হায়বা ৱারী অমা মরুপ অমনা লীরম্মী। অঙাং মশেন শান্নবদা লীনবা ৱারীগুম তাখি ঐ। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট’কা চুড়াচান্দপুরগা লোন্নবা, কাংপোকপীগা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকা লোন্নবা খুলশিংদা চত্থরম্বা এটেক’তগী, মে ২৬-২৭কী লোন্নবা অহিংদগী হৌদুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট’কী সুগুনু অমসুং সেরৌদা কুকিশিংনা লান্দারকপা মওংদুদগী খঙখি- হন্দক কুকিনা মৈতৈদা তৌরল্লিবা এটেক খূৎতৌ অমদি স্কেল ... লায়না লৌবা য়াদবনি। কন্ত্রি অমনা অতোপ্পা কন্ত্রি অমদা ৱার দিক্ল্যার তৌরগা চত্থবা এটেক অদুমক্নি। মশীং য়াল্লবা ইন্দিয়ন আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্স, হান্না লৈরিবসিগী মথক্তা নৌনা থুংলখিবা, পূম্নমক মখোয়দা ওফেন্সিব ওইরক্লোই (খূৎ থারক্লোই) হায়বসি কুকি-মিলিটেন্টশিং হান্না খঙই। ‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন’ গী গ্রাউন্দ-রুল মখোয়না কয়ারক থুগাইরবসু ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট’না হন্দোকখিবা লৈত্রিবনা, হোম মিনিষ্টর’না মখোয়দা খূৎ থানবা ওর্দর পীরক্লোই হায়বা খঙবদুননি, অচেঙবা তাঞ্জা ফংবদা লেপ্তুনা লান্দারল্লিবা। অদুগীসু মথক্তা হৌখিবা চহী তরা-কুন অসাম রাইফলস জৱানশিং ইমুং মনুংগুম লৈমিন্নরক্লবনা মখোয়গীদমক নাখে শেংনা মীচং ওইনা লেপ্লবা ফোর্স অমনি। মখোয়না কনাবু কিরুদৌরিবা? লাইসেন্স গন খরগা, সিফাইদগী লাক্লগা শীজিন্নবা নোংমৈ খরদুগনা ঐখোয়গা লম্বা পা’ঙল্লোই - ৱাখলসিননি মখোয়গী থৌনা হাপখিবা।

মে ২৭, ২৮গী সুগুনু অমসুং সেরৌ এটেক মতুংদা মৈতৈ খুল অনী অসি তুমখরে হায়বা পাউনিলখোল’না পূক্নিং হনজানখিবা, কুকিগী নাপল ৱাংখৎখিবা, মতমদুদনি - ‘বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কুকিশিংনা কোয়শিনখ্রে নুমিৎ নীনিদা লৌশিল্লগনি’ ... ‘অথুবা মতমদা মায়কৈ মরিদগী এটেক তৌদুনা ইম্ফাল সহর লৌশিল্লগনি’ ... হায়রিবসি চুম্বরা? য়ু এস এদগী কোল তৌদুনা হংলকখিবা। ময়ূম-মৈ থাদোকপীখ্রবা, তূম্থফম-হীপফম লৈত্রবা নুপী-অঙাং-অহলশিংগী মীকপখোল, তেংথাখোলদু তারগা হরাও মীনোক তমখিবনি শাইদাংলবা কুকিশিং... মৈতৈশিংদৈ তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিট অমা ফংলগনি শোয়দনা, মৈতৈশিংগা কুকিগা লৈমিন্নবা য়াররোই হোম মিনিষ্টর মশামক কন্ভিন্স তৌনা খঙখরে।

সেরৌ-সুগুনু অনীগী অপূনবা মীশিং অদুদি অকোয়বদা তারিবা কুকি-মীশিং অদুগী অহূম থোকপই অমত্তনি, মখোয় কনা’মত্তসু হল্লক্তুনা খুন্দা’ঙল্লরোই... কুকিশিংগী লম হেন্না পাকথোক চাউথোক্লগনি- ৱাখলসিনা লমজিংলগনি ফিৱাল যুংশিল্লকখিবা। কুকিশিংনা কৈদৌঙৈদা মঙদা ফাওবা মঙখিদবা থৌদোকনি - খঙহৌদবা মৈতৈ খুঞ্জাশিংগী এটেক’তা সুগুনু’গী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গং অহুম- জৌ ভেঙ, নজরেথ অমসুং কোসোফাই মখোয়গী খূত্তগী নাম্থোকখিনি। অহুমসিগী মনুংদা ‘নজরেথ’ - ইম্ফাল সহরবু মাংদা থল্লগা, সহর অমগুম শেমগৎকনি হোৎনজরকপনি চহী কয়া। সুগুনুগী মীয়াম্লসু ঙকখি-মাঙ তাল্লবা নজরেথকী শক্তম উবদা - চীংনুংসিদা কৈদৌঙৈ করম শেমগৎলমখিবা, অসুক থুনা। তোরা তুনা মাঙ তাল্লবা খুঙ্গং অহুম’সিননি- হাইগৎলম্বা কুকিগী নাপল হাইথহনখিবা। মখোয় থৌরাং তৌরমখিনি- খুঙ্গং অহুমসিগা লোয়ননা সুগুনু অমসুং সেরৌ-কৈদৌঙৈ, করম, অমুক হন্না লৌসিগে! *-ইন্দ্রকুমার*

# রোংমৈকাই অমসুং লাংবুং

থায়না মমাঙঙৈদা রোমৈ কৌবা শাগৈ অমগী মচিল মনাও তরেৎ লৈবা ইমুং অমা লৈরম্মী। নোংমদি মচিল মনাও তরেৎনা তমদা লৌউবা চৎপদা মখোয়না লাকপা লম্বীদা চাওরবা লিন মতৈ মনাও অনীনা শান্নদুনা লৈরম্বদু থেংনরম্মী। লিন লাবা অদুদি মখোয় উবদা চেনখ্রে, অমোমদি চেনবা নংহৌদদুনা মখোয় তরেৎনা হাৎতোক্লে। অশিবা লিনদু পুরগা লৌশঙদা থোঙদুনা থনম্মু ঐখোয় লাক্লগা চামিন্নসি হায়না চাক চয়োম, যুখোম অদু মনাওনুপা অতোম্বা রোংমৈকাইদা শিন্নরল্লগা ময়াম্বা তরুক্তি লৌফম তান্না চৎখি। মনাওনুপা অতোম্বনা চাক চয়োমনে যুখোমনে লিন অশিবা অদুনে পুরগা লৌশঙ তান্না লাক্লে। মানা অশিবা লিনদু মতুপ তরেৎ থোক্লা কল্লগা লাদা হাপ্তুনা থল্লে।রোংমৈকাইনা লিনশা অদু থোংনবা ঈশিং শোকপা চৎলিঙৈদা ঙসাই চেনখিবা লিন লাবদু লাক্লগা মনাক্তা হৌরিবা লাংচি কৌবা উপাম্বীগী মকু অদু লিন ময়ানা চিক চিক্তুনা মচেৎ মচেৎ ফল্লগা লা মথক্তা মতুপ তরেৎ থোক্লা কক্তুনা থল্লিবা মতুগী লিনশা মথক্তা চাইশিল্লে। লিন লাবনা তৌরিবদু রোংমৈকাইনা হল্লকপদা উরদুনালোন্না লুমদুনা য়েংলম্মী। উমকু অদুগা হেক শোক্লবদা অশিবা লিনশা মতুপশিং অদু মতোমতা লেং লেং চৎলক্তুনা পুনশিন্নরক্লে, মমৈথংদা অহিংবা লিন ওন্দুনা লিন অমোমদু লাবগা চেনমিন্নখি। অঙকপা থৌদোক অদু উবদা রোংমৈকাই হরাওরে, লৌশঙ মনাক্তা হৌরিবা উপাম্বীঅসি অচম্বা উ নত্তে খঙলে। ঙাইহাক লৈরগা থবক ৱানা শুরুবা ময়াম্বা তরুক অদু চাক চাগদবগী লৌশঙ তান্না লাক্লে। মখোয়না চয়োমগা লিনশা অথোংবগা পুথোরক্লো চারসি হায়রক্লবদা মনাওনুপা অতোম্বনা ঙসাই থোকখিবা অঙকপা থৌদোক অদু ময়াম্বশিংদা তম্লে। মনাওনুপা অতোম্বগী ৱাদু তাবদা মীনম্বা ওইরবোইদবা ৱানি খন্দুনা থাজরমদে। মবুক ফৎতদুনা অথোংবা লিনশাদু মতোমতা চনীংদুনা চাথোক্লগা ঐখোয়দা হায়শিন্নবনি খল্লদুনা ময়াম্বা তরুক অদু য়াম্না শাওরে। নুংশা মরক্তা থবক ৱানা শুবগী মবুক লাল্লবা মখোয় তরুক্তু অশাওবনা হেনগৎখিদুনা অফ-ফত্ত ৱাখল তৌদনা মবুক ফত্তে, চাবা ফজদে খন্দুনা মনাওনুপা অতোম্বগী মখোঙ অনীদু থুদেকপীরল্লগা ময়ূমদা হনখি। মখোঙ অনী তেকপদগী চৎপা ঙমদ্রবা মনাওনুপা অতোম্বা রোংমৈকাইনা ময়াম্বশিংদা মাবু মাঙদা হৌরিবা উপাম্বী অসিগী মনাক্তা পুশিনবীরম্মু, মফম অদুদা ঐ পোত্থাদুনা লৈজগে হায়জববু ময়াম্বা অমত্তনা থৌওইনা তাবিদনা চৎখি। মাগা হেক থংনবা ময়াম্বা অদুনদি মনাওনুপা অদুবু পোরগা উপাম্বীগী মখোঙদা থম্বীরম্মী।

ময়াম্বশিংনা চৎখ্রবদা মখোঙ তেক্লবা রোংমৈকাইনা মখূৎনা লাংচি উগী মকু অদু খোল্লগা মাগী অতেকপা মখোঙ অনীদুদা থোমজিনবদা তেকপা ফরদুনা হান্নগী মতৌগুম্না চৎপা য়ারে। অদুদগী মানা উপাম্বী অদুগী মকু অদু হেক ঙম্বমখে খোল্লগা মানা ইল্লিবা ঙবোং অদুনা খাউ শারগা হানজিন্দুনা পুরগা অতোপ্পা খুল অমা তান্না লাক্লে। নোংঙাল্লগা ময়াম্বশিংনা লৌকুম্বা লাকপদা ঙরাং লৌশঙদা হুন্দোক্লম্বা মনাওনুপা অতোম্বদু লৈরমদ্রবদা শা কৈনা হাৎতুনা চাখ্রমানে খন্দুনা মথ্বায় নুংঙাইতনা কপ্পখি। মনাওনুপা অতোম্বা রোংমৈকাইদি মতোমতা অসুম লাকপদা লম্বীদা অশিবা হুই লাবা অমা তাদুনা লৈবদু উরম্মী। মানা চঙশিল্লগা হুই অশিবদু হিংবা ঙম্ব্রা ঙমদব্রা চাং য়েংগে খল্লদুনা মাগী ঙবোং খাওদা য়াওরিবা উমকু অদু খরা লৌথোক্লগা অশিবা হুইগী মথক্তা হাপ্পদা শিরম্বা হুই অদু গৌ গৌ খোংলগা হৌগৎলক্লে। হুই অদুনা মনম নল্ল নল্লদুনা চঙশিল্লক্লগা মঙোন্দা লেক্লরে। মানা হুই অদুগী মমিং লাংবুং থোনবীরে। হুই অদুগা লোয়ননা মহাক্লা অসুম লাকপদা খুল অমা থেংনৈ। খুল অদুগী খুলয়াইদা মতোমতা লৈবী লুখ্রাবী হনুবী অমগী ময়ূমদা মহাক থুংলে। মানা হনুবীগী যূমদা মতম খরা লৈরিঙৈদা যূমথংনবা ইমুং অদুগী অমত্তা পোকপী মচানুপী লৈশাবী অমা ইখঙ খঙহৌদনা অহিংদা শিরবদা মমা মপা, মবুং-মৌপ্বা পূম্নমক কপ্পরক্লে। নোংঙাল্লগা খুল্লানবা পাখং রোংমৈকাইনা হনুবীদা মখোয়না কপ্পরিবসি করিগীনো হংবদা যূম্থু হনুবী অদুনা লৈশাবী অমা ইনা নাদনা শিরে, মদুগীদমক কপ্লিবনি হায়রে। অদুদি ইবেন! শিরিবী লৈশাবী অসি করিগুম্বা হিংগৎহনবা ঙল্লবদি মখোয়না ঐঙোন্দা করি পীগনি হংলক্লে। খুল্লানবা পাখং অদুগী ৱাদু তাবদা হনুবী অদু ৱা মখা তারমদনা চেনখিদুনা শিরিবা লৈশাবীগী ময়ূমদা চৎখ্রগা মমা মপাদা অঙকপা পাউদু তল্লুরে। মদু তাবদা লৈশাবীগী মপা অদু চেল্লক্তুনা খুল্লানবা পাখং অদুবু কোল্লগা ইবুংঙো, নহাক্লা শিরবী ইচানুপীবু হিংগৎহনবীয়ু। করিগুম্বা হিংগৎলক্লবদি ইচানুপী অসি নঙোন্দা মাংকৎ য়াম্না পীদুনা লুহোংবীগে। শিরিবী লৈশাবী মপাগী ৱাদু য়ানীংলদুনা খুল্লানবা পাখং অদুনা লাংচি উগী মকু খরা পুরগা শিরিবা ইমুং অদুদা লাক্লে। মানা শিরিবী লৈশাবী অদু ইমুংদা পুশিল্লগা থোঙ লোনশিন্দুনা মখোয় অনীদা লৈরে। মদুদগী মানা অশিবী লৈশাবীগী মশাদা উ মকু অদু থম্বদা শিরম্বী লৈশাবী অদু হাকথি খল্লগা তূম্মুবগুম হৌগৎলক্তুনা হিংলে। মাগা লৈশাবীদুগা ৱা ঙাঙনবা তারবদা থোঙ লোনশিল্লম্বদু হাংদোক্তুনা লৈশাবীবু পোকপা মপা ইমুংদা চঙখি। শিরম্বী মচানুপী লৈশাবী অদু হিংদুনা লৈরল্লবদা মপা অদু হরাওবগা লোয়ননা লাউ খোংদুনা মচানুপী পুরগা মপান্দা থোরক্লে। অঙকপা থৌদোক অদুদা মীয়াম পূম্নমকসু হরাওনরে। নুমিৎ অদুমক্তদা মখোয় অনী লুহোংবীরে। মখোয় অনীনা লৈনবা খুল অদুদা যূম অমা শাবিরে। চানবা ফৌ, চেঙ পীবিরে, ওক, য়েন মতিক চানা খাইবিরে। নুমিৎ অদুদগী হৌনা খুল্লানবা পাখং অদু ‘রোংমৈকাই মাইবা’ হায়না মমিং থোন্দুনা খুলগী মীয়াম্না মশক খঙলে।

শিরবী লৈশাবীবু হিংগৎহন্দুনা লুহোংবগী পাউসি খুল কয়া লান্দুনা শন্দোকখ্রে। খুল অদুদা শিবা মী, শা, উচেক্তা নত্তনা অতোপ্পা খুলগীসু অশিবা মী পুরক্তুনা হিংগৎহন্দুনা অশি-অনা অমত্তা থোক্ত্রে। রোংমৈকাই মাইবনা মাগী নুপীদা লাংচি উ মকুগী কান্নবদু খক তাকথোক্তে। মানা উ মকু অদু মতু খঙহন্দনা য়াম্না চেকশিন্না থমই। মানা খুল লান্না লায়েংবা তারবসু উ মকু হাপ্পা তাবু অদু মখুম চেৎনা খুমজিল্লগা থৌরিনা অমুক পুনশিন্দুনা মাগী নুপীদা মখুম হাংদোক্নু হায়না চেকশিন্না শিন্নে। নোংমদি রোংমৈকাইনা মাগী হুই লাংবুং পুরগা পামলৌ উবা চৎখ্রিঙৈদা মাগী নুপীনা তাবু অদু হাংদোক্লগা করি য়াওবগে য়েংগে খল্লদুনা য়েংনীংবদগী তাবু হাংদোক্তুনা য়েংলুরে। তাবু মনুংদা কোকফাই কাদুনা মনম নমথীরবা উমকু খরা লৈরম্বদু থেংনরে। মসি ওইরে ঐগী নুপানা য়াম্না চেকশিন্না থল্লিবসে। উমকু অসি মনমসু নমথীবনে কোকফাই কাদুনা চোৎলি চোৎলি তৌরিবসি ফনবা নুংশাদা ফৌদোক্কে খল্লদুনা উমকু অদু শুমাংদা ফি থারগা ফৌদোক্লে। মতম অসিদা নোংথক্তা ঙাল্লিবা নুমিৎ, থা, লাই অনীনা উবদুদা মীনা ফংবা ঙম্নদ্রবা হীদাক শিদ-নাদ-য়াই অসি লৈরবদি শা-উচেক অমত্তা মালেমদা শিদবা তারে। অদুনা মাগী নুপা মাইবনা হল্লক্ত্রিঙৈদা লৌরুরসি খন্নরদুনা লাই অনীনা কুমথরক্লগা উমকু অদু মচেৎ অমা ফাওবা খাক্লমদনা খোল্লগা পুখৎখিবদু রোংমৈকাইগী নুপীনা ইমুংদগী থোরকপদা উহৌরে। মাগী নুপা লাক্লগা মাবু ফূবি চৈবিরগনি খল্লুবদা মথ্বায় ৱারদুনা কপ্প-কপ্পদুনা পামলৌ তান্না চেল্লক্তুনা মৱাদা পাউ তল্লরে। পাউ অদু তাবদা রোংমৈকাই য়াম্না শাউরে, মতুবু থীনা ফূবিরে।

উমকু অদু লৈত্রবদি মহাক মিংচৎ থীরগনি, হিংবগী কান্নদ্রে খল্লদুনা শিবা কিন্দনা নোংথক্তা কারগা নুমিৎ, থা কৌবা লাই অনী উন্নদুনা উমকু লৌরুগে মপূক্নিংদা লেপ্লে। খুল অদুদা লৈরিবা মী ময়াম, শা-উচেক, মথ্বায় পানবা চৎপা-পাইবা ঙম্বা তীল-কাং পূম্নমকপু কৌরগা চাক খাংদুনা মানা নোংথক্তা কাবা য়ানবা কৈরাক অমা শাবদা তেংবাংবীয়ু হায়জরে। মাগী ৱাদু মখোয় ময়ামসু হরাও হরাওনা য়াবিরে। খুলগী মীয়াম্না অয়ূক নুংথিল নুমিদাং খাক্তুনা মাগী যূমদা চা থক্তুনা কৈরাক শাবা হৌরক্লে। নুমিৎ অদুগী চাক খাংবদা লৈশৌবুদি অপীকপা তীলগী কাঙলূপনি কৈরাক শাবদা করিসু মতেং ফংলোই খন্দুনা তাকহৌদ্রে, চাবা থকপা য়াওহনখিদে। মাগী মমান্নবা তীল-কাংগী মমাঙদা ইকায়বদগী লৈশৌশিংনা শাউদুনা লোন্না ৱা তান্নবা হৌখ্রে। মখোয়না কৈরাক মখোঙ ওইগদৌরিবা উশিংগী মনুংদা লোন্না চঙখ্রগা উয়োন চিকথায়বা হৌরক্লে। ময়াম চঙদুনা শারিবা কৈরাক অদু শাবালোইরদুনা নোংথক য়ৌগদবা খুদুপ অমরোমদা ঙাইরকপা মতমদা রোংমৈকাইনা হরাওদুনা মাগী হুই লাংবুংদা নহাক মাঙ থানা কাখৎলম্মো ঐদি থাঙ-তা পুরগা তপ্লা কারক্কে হায়দুনা মাগী হুইদু থাগৎলম্মী। লাংবুংদু হরাওনা কৈরাক্তা নেৎ নেৎতুনা কাখৎলকপদা লৈশৌনা উয়োন চিকথৎলবা কৈরাক মখোঙ অদু চুম্না লেপ্পা ঙমদদুনা তুগাদবগী ফেরে ফেরে হাইরল্লবদা মপু নীংবা লাংবুং হুইনা কৈরাক তুদ্রিঙৈদা চেনখৎখিদুনা নোংথক য়ৌখ্রে। কৈরাক তেকপনা হান্দুনা রোংমৈকাইদি নোংথক্তা য়ৌবা ঙমদদুনা কুমথরক্লে। লাংবুং হুইনা মবুঙোগী মহুৎ শিন্দুনা নুমিৎ-থা অনীবু চিক্তুনা হাৎকন্দবগী থিবা হৌরক্লে। লাংবুংনা শাউদুদা মচিন্না নুমিৎ থা অনীবু উম্বা মতমদা মালেম লৈবাক অনী মমশিন্দুনা গ্রহন তৌই থাজনরি। অদুনা কবুইশিংনা গ্রহন লাকপা মতমদা “সি লাংবুং তাউ তাউ” (হা লাংবুং থাদোক্লো থাদোক্লো) হায়না লাউনরিবা অসি ৱারী অদুদগীনি। মৈতৈসু নুমিৎ থাবু গ্রহন লাকপসি হুইনা উম্বনি থাজনদুনা হুইদা “থারো থারো” হাইনা লাউনরি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী’ দগী লৌখৎচবা)**

# অনৌবা পুন্সিগী অয়ূক্তা

হন্দক মরক্কী অয়ূক্কী অয়ূক্কী অতিয়াদা কুইনা উখিদ্রবা ক্বাক্বা চরোয়গা উই। মহৌশাগুম উচেক অনীদু অয়ূক্তা খৎনৈ। চরোয়না লৈনা লৈনা পাইদুনা ক্বাক্কী মকোক্কী মতু ফোয়নবা হোৎনৈ। ক্বাক্বা মকোক্তু পূল্লে লৈদুনা ফোয়হন্দনবা হোৎনৈ।

পাখঙ অমগা লৈশাবী অমগা ফমদিন্নবদগী লৈশাবীদো মীরোল্লে। মসিদগী অনীদু নুংতিগী উন্নে। উন্নবা খুদিংগী চিক্লে। লৈখাই তাবদি ঙমদে। অসুম্না নোংমা নীনি হৌখ্রে। ঙসিসু উন্নরি। অতাবী অমদি খঙলনি। ঙসি হয়েং মঙায়রে। অঙাং য়ৈথবা য়ৈথদবগী ৱানি।

‘অঙনবা তাঙ্কক্তা খঙহৌরিসি য়াম্না ফৱবনি। হায়বদি নঙগী খোঙচৎ লেপখিবসি হন্দক্কী থাদা ওইবনিনা, হৌজিক তৌবদা য়াম্না খুদোং চারনি। কোম্না তৌবা ঙল্লনি’, নুপানা হায়।

নুপীদু খুমদে।

‘কৈসু লৈবা ৱা নত্তে। হীদাক ঙান্থকমুক্তনি। শৎ হেক্তা লোইগদবনি’ নুপাদুনা মখা চথে।

নুপীদু খুমদে। তরংদা য়েংদুনা লৈ।

‘নঙ পঙখন খঞ্জিন্দুনা লৈরমাল্লে। হৌজিক্তি অঙাং য়ৈথবা হায়সি কৈসু নৎত্রবনি। সিদি কৈসু নত্তে। শৎ হেক্তা লোইগদবনি। নঙনা খঙদদুনা তৌবনি।’

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯**

১) **“ভগবান শ্রীরাম”** (২০০৮) হায়বা কাব্য অসি কনানা ইবনো?
২) **“মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **“অশিববু কোন্দুনা সমাধি মখাদা/লৈররে ইতোমতা তূমদুনা; করিগী অমুক হন্না লাক্লিবা/থম্মোয়গী মৈচাকপু চাকহনগে হায়না/”** ঈশৈ মতেক অসি অসামগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ঈশৈশিংদগী খোমজিন্দুনা মণিপুরীদা হন্দোরকপদগী লৌথোরকপা ময়েকনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?
৪) **“কংফালগী অরোইবা লমদমদে”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) **“মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফৱা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**লিটরেরি ক্যুইজ ৬৮গী অচুম্বা পাউখুম অমত্তা য়াওদবনা ক্যুইজ অসিগী মনা থমজদ্রে।**

নুপীদু খুমদে। লেঙসু লেঙদে।

ওর্দর তৌখিবা অচাপোৎতুগা চাগা পুথোরকই। নুপাদুনা হাথু হাথু থক্কদবগী থাঙ্গৎলি। শারম্বদুদা অমুক থম্মী। মখা তারকই।

‘ধর্ম্মগী ৱা নত্তে। ধর্ম্মদসু মসি য়াবা কাঙবু য়াদবা কাঙবু লৈ। আইন্না য়াই য়াদে হায়বনা অমনি। আইন্না য়াদে হায়দি ঐসু খঙই।’

‘খঙলগা কৈদৌরবা’ থাজদনা নুপীদুনা খুল্লকই।

‘খঙবা হায়বদি, ঐনা খঙবা হায়দি নঙসু মসি ফজবা ৱাখল্লোন অমগী মখাদা য়েংঙু হায়বা। অঙাং হায়সি পোল্লগা লোইদে। অঙাং হায়সি য়োকপা অমা চংঙি। পামদনা মীরোলবা, পামদনা অঙাং য়োকপগী অৱাবা অমদি লূন্নবা পোৎলূমসি লৈহন্দবনা ফে খনবা মী কাঙবু অমা লৈ। মসিগী ৱাখল্লোনসি খনবা লন্নাই ক্লিনিক ময়াম অমা চলাইনরি। পৈশা খরতনা নাকল অনীমক তোংজরিবনি’ নুপাদুনা খুকাপ্পী কাপপী।

‘নঙগীদি তোংজরম্বা য়াই। ঐসু তোংজনি হায়দি নঙ করম্না হায়রিবনো?’

‘ঐ হায়গে লায়না হায়গে। করম্না তোংজরোইদৌরিবনো? নঙ হৌজিক অঙাং য়োকপা ঙল্লদ্রা? ঙল্লোই। নৎত্রা? তৌনু। কৈসু লৈবা ৱা নত্তে। শৎ হেক্তা লোইগদবনি। কোমখ্রবা থবকনি। মনা-মনিল নাইদনা শৎ হেক্তা লোইশিনবা। হোই, নঙনা য়াদ্রবুদি।’

‘ঐগী ৱাখল নঙ শুকখন খনবীগনু। ঐগী ৱাখল ঐ অদুম খঞ্জগে। ঐবু লামশিনগনু।’

‘করম হায়না লামশিল্লোইদৌরিবনো? মসি লোইরগা ঐখোয়নীগী অনৌবা পুন্সি অমা শাগৎকদৌরিবনি। শাগৎমিন্নগদৌরিবনি। পূম্নমকসি নঙগী ফন্নবনি। কৈসু লৈবা নত্তে। শৎ হেক্তা লোইগদবনি।’

‘ঐগী ফনবা ঐগী শিয়োমনুংদা লৈরিবা জীবসি মাঙহনবা! থৱায় মাঙহনবা! ইচা হাৎপা! হুম, মমা ঐনা য়াদ্রদি নঙ কৈদৌবা তাবা? খঙজৌ অমা অমদি ঐ লেপত্রি। লেপ্পনি। অদুবু অমদি লেপ্লে। নঙগী ঐগী মরীদি লোইরে। পুমলোই লোইরে। অনৌবা পুন্সিকা হায়দুনা মখা অমুক মরী লৈনবগী ৱাখলগসু খঞ্জবা শারিব্রা?

‘হোয়নে। ফরেনে। মদুনা মদু ওইরে। সিদিনে মুন্না খন্নীংঙাই ওইবা ৱা নত্তে। কৈসু লৈবা নত্তে। শৎ হেক্তা লোইগদবনি।’

নুপীদু খুমদ্রে। নুপাদু চা অঙ্গৈংবদু অমুক্তা পুল্লপ থকচিনখি অদুগা চুরুট থক্লবগী হৌগৎখি। নুপীদু লেঙদে। হায় স্কুলগী মহৈরোয় ওইরিঙৈদা পাখিবা লাষ্ট দেজ ওফ পোমপি নীংশিংলকই। কুইনা ওমদুনা লৈরবা অতুম্বা মৈগী চীংদুনা থোক হেক পোকখায়রকপদু! নুপাদু চঙলক্লে। চুরুট মৈখু ইনম নল্লদুনা অমুক চত্থরকই।

‘করি খল্লে? খল্লবা নৎত্রা? কৈসু লৈবা থবক নত্তে। খন্ননীংঙাই ওইবা ৱাফম নত্তে। ঐনা হায়রিসিনি। কৈসু লৈবা নত্তে। শৎ হেক্তা লোইগদবনি।’

অনীদু মমারোল তিন্নবা নুপা নুপীনি। অকোনবগী নুপাদুগী ৱাদু লোইরম লোইফাৎত্রিঙৈদা মমারোলদা য়াওদবা ৱাহৈ হায়গদরা নৎত্রগা খোঞ্জেল হায়গদরা নুপীদুনা খঙলাও লাওরকই অদুগা মখা চত্থরকই,

‘আ... আআ...। ক-বা। হে-সু-। ক-বা হায়গে। - সু-নঙ ঐঙোন্দা ৱা ঙাঙলক্নু।’

তিল্লিবা মীয়ামদু লৈদুনা য়েংনরকই। নুপীদু মশা নিকই। নুপা ৱা ঙাঙদে। পোমপিগী অরোইবা নুমিৎতা মৈগী চীং পোকখায়রকপদা অহলসু অঙাংসু খঙন-চান্নবা পাখঙ লৈশাবীসু উৎ ওন্দুনা মাঙখিবনি।

‘ময়াম মমাঙসিদা নঙনা ঐবু নশিঙ্গা ফুদোক্তুনা চৈরি। ঐনা হৌজিক হৌগৎতুনা চৎখ্রদি কনানা কৈদৌজরনি?’

‘চৎনীংঙে চৎলু। চৎনীংদ্রে তোকউ। নঙগী খুশিনি। ময়াম মমাঙসিদনি ঐনা লুহোংদনা নাওপুবী অমা ওইনা চৎলিসে। অদুবু মসিমদি হায়গে ঐ ক-বী নত্তে। অমুকসু হন্না হায়গে ঐ ক-বী নত্তে। ঐ হৌজিক্তি নুংঙাইবনা শাৎলে। নঙবু নশক খঙবা ঙল্লে। অঙাং য়ৈথবসি জীব অমা হাৎপসি নঙোন্দা কৈসু লৈবা থবক নত্তে। ঐঙোন্দদি মসি কৈসু লৈতবা শৎ হেক্তা লোইগদবা ৱাফম নত্তে। ঐদি ৱাফমসি লূম্না লৌই। পুন্সিগী খুনিংথেক অমদগী খোঙচৎ অমা হৌগদৌবনি লৌই। ঐনা নুংঙাইরিবদি অতৈগী নত্তে নহানমখে নশক খঙলমদবা নঙোন্দা, লন্নানবা নঙোন্দা ঐগী অঙাংগী মপা ওইহন্নবা হোৎনরুবা থবকসি ঐগী পুন্সিগী য়াম্না লানবা খোঙথাং অমনি খঙজবসিদনি। শিয়োম্নুংদা লৈরিবা অঙাংসি ঐগী থৌদাংনি। নঙগী য়াওদ্রে। মসিবু মাঙহনবা মাঙহন্দবা ঐনা ৱারেপ লৌজনি। ঐ নুপীনি। শিয়োম্নুংদা জীব অমা য়োক্লিবা তাইবঙমীনি। নঙনা মসি খঙদে। মমা ওইগদৌরবী নুপীবু মশক খঙদে। নঙগা ঐগা খেন্নবা য়াবমখে খেন্নে। নঙসু নঙনা পাম্বা লম্বী অমদা চৎখ্রো। ঐসু ঐনা পাম্বা লম্বীদা চৎকনি। কেৎলে। হো কেৎলে।

নাকল অমরোমদা নুপী অসিগী মমা মপাসু অনীসিনা উংখৎনরিবসিদগী হেন্না উংখৎনৈ। মচানুপীনা হায়বদগী খঙবনি। খঙবা নুমিৎতগী উংখৎনরকপনি। করি অমুক হায়নি ফেমিলি কোর্টতা ৱাকৎতুনা খায়নবগী থাক য়ৌখ্রে। মপাগী ৱাখলগা মচানুপীগী ৱাখলগা মান্নে। অনীদু চান্নে। চুনৈ। মমাগী ৱাখলনা তোঙাল্লি। মমানা টর্ক তৌই-পামদবা মীরোলববু করম্না থদৎহৌরোইদগে? মসি শৌগৎপগী মহয়দি পামদবা অঙাং পোল্লক্কনি। লৈশা লৈশানা অঙাং মীরোলবা মাগী মচানুপীনা অহানবা নত্তে। লৈশা লৈশানা অঙাং পোকপা মাগী মচানুপীনা অহানবা ওইরোই। মসিগুম্বসিদি মালেমসিদা লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইনা লৈ। মশীং থিঙমদনা থোকপা থৌদোকনি। অনৌবা ৱাফম নত্তে। মসিগুম্বসিদি অনৌবা পাউ নত্তে। মসিগুম্বসিদি মালেমসিদা লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইনা লৈ। বিজ্ঞানগী অনৌবা খূৎলায়, হীদাক লৈত্রিঙৈফাওবদা মসিগুম্বা তীল অমা মাঙহনবসিদি করিসু নত্তে। লায়খ্রবা থবকনি। তৌনদুনা লাক্লবনি। হৌজিক্লা বিজ্ঞাননা অসুক খুমাঙ চাওশিল্লদবু মসিবু করি লৈবা থবকনো? তিন য়োৎতুনা খন্থনীংঙাই ওইদে।

ফেমিলিকোর্টতা খায়নবগী বিচার চত্থরিবদি অঙাং য়ৈথবা য়ৈথদবদা মতৈ মনাওগী ফিরেপকী মতাংদা নত্তে। হন্দক্কী থৌদোকসিদগী অমনা অমগী মশক খঙনরকপদগী খায়ননবা লম্বীদা চৎলকপনি। অনীগী পুন্সিগী মীৎয়েং খেন্নে। ফিরেপ তোঙাল্লি। করম্না তিন্নবা য়াগদগে? মতৈ মনাও ওইনা? ঙকপু ঙকই অসুক কুইনা করম্না লৈমিন্নরম্মীবনো? অসুক কুইনা করম্না লৈমিন্নরম্মীবনো। করম্না লৈমিন্নরম্মীবনো। অসুক কুইনা।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘আ!! থম্মোয় লকানুংদগী’ দগী লৌখৎচবা)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।